থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ‘কেনব’না কায়নবা ওনখিদনবা হোৎনবা

- ‘হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবা নংনবা লৈ মচা অমত্তংদি শাবীয়ু ... অরূপ্পসি সুম য়ান্দুনা চৎপসি, ঈনম্মহোই মমাঙদা ঈকায়রে’...।

- ‘অরূপ্পরা, অতাউবরা ... নাদুদা লৈতেং অমা নপ্পবদি য়ারবা নৎত্রো ... কদায়দগী পৈশানা শাগদৌরিবা সনানো’ ?

মতৈ-মনাও অনীগী মরক্তা তৌনবা ৱাহৈগী অওক-অথোম অমনি। অতোপ্পা মখলগী মতৈ-মনাওগী দাইলোগ অমসু লৈ।

- ‘নঙগী জর্সি অদু অহনবা মাল্লি ... য়াম’ পকচৈ, কয়া পী’ ?

- উম ! নঙ’ খল্লিবসি, ঐনা পৈশা অরেম্বদা লোইথোক্লম্মনি ’সিনিনে ... ইরলনা লৈজবনি ঈবুংঙো, নরলনা লৈবা নত্তে’।

ঈমুং অনীগী তোঙান তোঙানবা মতৈ-মনাও অনীগী ৱারী মতেক অনীসি তাবদা অদোম শোয়দনা খঙবীরমগনি - য়ূম পান্দুনা লৈমিন্নরিবা নুপা-নুপী অনীদুগী মরক্তা লৈনরিবা মরী, লৈনফম থোকপা অদুরা ? ৱারীদু ঐনা মখা তানা ইজদবগী ৱানি। মখা তানা তৌনরমগদবা অওক-অথোম, য়েৎনরমগদবা মরৈ- ৱাখলদুনা অমুক্তা শাগত্তুনা নৈনবীয়ু - নুংশিননা, চান্নরা, অন্দরষ্টেন্দিং লৈননা পাল্লিবা য়ূম্বাল হায়বদু ওইরি’দ্রা ? ঐদি থাজদে, করিসু লৈতবা ইচম চম্বা ৱাফম অমদগী ঙাওনরক্লিবা, শমথনরক্লিবা ৱাফমশিং, মখোয় অনীগী মরক্তা লৈনফম থোকপা মরী অদু লৈনদ্রে হায়বা ময়েক শেংনা তাকচরে। অহানবগী কেস’সিদা, নুপীদুনা মাগী নুপাদা হায়জরিবা ৱাফম, মরম চাদবা, এক্সত্রাভেগ্যান্ত ওইবা ৱাফম নত্তে। নিঙোলশিংগীদি খ্বাইদই লেমজনিংঙাই ওইবা কুমহৈ ‘নিঙোল চাক্কৌব’দু নংনবা সনাগী লৈতেং মচা অমত্তং, মহাক্কী অরোইবা মপু, মপুরোইবদুদা শাবীয়ু হায়জবা - নুংশি মরীদু চেৎশিলহন্নবা ওইনজবা থৌওং অমনি। মপুরোইবদুগীসু তৌফম থোকপা অমনি। মপামদুদা মৌ ওইনা লাক্লিবা ‘মনম্ম’ দুগী মমাঙদা মতম শাংনা অরূপ্পা সনাগী লৈতেং য়ান্দুনা চৎপদু মপুরোইবনা থওইবীদবা নুপী মাল্লে হায়জবনি। শাবীবা ঙম্লি, ঙম্ফম থোকই খন্দুনা হায়রিবনি। অদুদা নুপাদুনা খুল্লক্লিবা পাউখুমদুনা তাকই - নুপাদুনা নুপীদুবু মীরায়বী, থওইদে, সনা-লুপাগী লৈতেং লেপশিনবদা খোয়জঙদে। নৎত্রগা, নুপা অদুগী অহেনবা ইনকম মরাঙ কায়দে, লৈতেংগী পোৎ লেপশিন্নবা শেম্থোক লৈতে। নৎত্রগনা, নুপা অদু ওইদবা ঙাঙই, অরৈবা, অহেনবা শেল কান্নদবা থবক, জ্বার/নুপী/ময়াই কাবা চীঙ্গাকনচিংবদা মাঙহল্লি। মরম অমা নৎত্রগা অমদা মতৈ-মনাও তত্তনা খৎনৈ।

অনীশুবা কেস অসিদনা- ঙকচাও থেকপী, চীনগনবী নুপী ! মাগী নুপী শকহেনবীদুনা নীংথিজবা মচুগী অহনবা জর্সি অমা নিংথমগী নীংথিরবা অয়ূক অমদা, লীৎলগা থোরকপদা ‘ঐগী নুপীনি’ খন্না চাউথোকচবা পূক্লিং ইহুল অমগা লোয়ননা ফোঙদোকচরুবা ‘কমপ্লিমেন্ট’ অমা ওইরম্বসু য়াই। মহাক্না পীখিবা খূদোলমক্তি নত্তবনা, মমল খঙনিংদুনা হংলুবা !

নুপাদুগী পূক্লিং-ইহুল খঙদুনা কমপ্লিমেন্টরি রিমার্ক ওইনা লৌবগী মহুত্তা নুপীদুনা খুল্লক্লিবা পাউখুমদুনা তাকই- মহাক নেগেটিভ থিঙ্করনি। পোৎ অমগী পোজিটিভ সাইদ উবা ঙমদে। অদুগীসু মথক্তা, মহাক, পোৎ-চৈ মমল অতাঙবা লৈরগা চাউথোকচবী নুপীনি। ‘ঐহাক শেল থোকই, নুপাদা মপাল তাংদুনা হিংবী নুপী নত্তে’ হায়দুনা নাপল কাদুনা হিংজবীনি। অদুগুম্বা নুপীগা পানমিন্নবা য়ূম্বানসু ঈংবা তপ্পা হৌনদে, লাল্লব্রা ? তংখায় শিরবা/হেন্দপেক হজবেন্দ অমগা লৈমিন্নদুনা, মহাক্না ঙম্না পানবা অমা! নৎত্রগা, এক্সত্রাভেগ্যান্ত ৱাইফ অমা ওইনা ঙাইহাক লৈতনা খৎনবা/খায়নবা য়ূম্বান অমা পানমিন্নবা !

অচম্বা থৌদোক অনীখক্কী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইজবনি, মান্নবা থৌদোক লিশিংনি লমদমসিদা থোক্লিবা। ‘চফু-উয়ান কেনবা’ হায়নবা প্রমান-পান্থৈ অমা শেমদুনা খোয়খা-লিনখা থানদনা খৎনবগী থৌদোক মখল অমগা, মৈরিক্তগী মৈজাও হৌদুনা মতৈ-মনাও হঞ্জিনবা য়াদনা খাইনবদই হেন্দোক্তুনা শিরফাওবা চঙনদনা য়েক্লবা অমগুম লৈনখিবই থাক য়ৌনা খৎনবগী থৌদোক অমগা- শেন্নহৌদ্রবা মীকূপ অমনা ওইহল্লকপা য়াবা পুন্সি মশক অনীনি।

ঙসিগী মেতরিঅলিস্তিক ৱার্ল্ড অসিদা কনানসু মরু ওইনা লৌনরক্ত্রবা সাইকোলোজি হায়বা সবজেক্ত অদুগী মশা ওইবা হীরম অমা ওইরমগনি হায়না ঐনা খঞ্জবা, অমেরিকাগী ‘য়ুনিভর্সিতি ওফ কন্নেক্তিকত’ কী ‘দিপার্তমেন্ত ওফ ফেমিলি স্তদিজ’ গী প্রোফেসর অমনা ইবা লাইরিক অমগী মরমদা নোংমা, ইম্ফাল-দিল্লি ফ্লাইত অমগী মনুংদা ইনফ্লাইত-রিদিং-মেগাজিন অমা পাখিবদু নীংশিংলি। অমেরিকান মতৈ-মনাও খৎনবগী মরমদা ইবনি। খনখি- অমেরিকদসু মতৈ-মনাও খৎনবোইরে ! খৎনবা অমদি উংখৎনবই মরমদু মান্নদবই ৱানি, মখোয়সু মীওইবনি, ঐখোয়দই করি খেন্নগনি ! অদুবু, লাইরিক্তুগী মরমদা খন্থরুরগা খল্লকখি- খেন্নবা হায়’দু ’সিনিদনা ... ‘ফেমিলি স্তদিজ’ হায়বা দিপার্তমেন্ত অমা হাংদুনা, য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা তম্বীগনি হায়দুনা খল্লক্লিবা ! ফেমিলি ক্রাইসিস, দোমেস্তিক ভাইওলেন্স খ্বাইদই য়াম্না থোকপা লমদম অমনি খন্নরিবা ইন্দিয়াদদি ৱাখল অসি মমি ফাওবা তমদরি। ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিতিশিং মমি ওইনা তারক্কদবা মণিপুরগী ৱাদি সূপখনবু হেক খন্নগুমসি। শেল থোকপা, লেম্না শেল ফংবা য়াবা, করপসন তৌবা য়াগদবা থবক চঙফমদু তপ্পা চৎপা য়াবা লম্বীদুতনি ঐখোয়গী ইদ্যুকেসনেল ইন্সতিত্যুসন অমদি য়ুনিভর্সির্তিশিংনা তাক্লিবা।

পাক চাউখ্রবা, লুখ্রবা হীরম অমনি ঐনা ঙসি ইগে হোৎনরুরিবা। অতৈগী ৱা তোকখ্রসি, চীনবান লান্না ৱাহৈগী লান শোক্লদ্রবসু, ঐগী অঙাং মমাগা ঐগগী মরক্তা ৱাখল নুংফাওননবা থোং অমতং ফাওবা শাবা ঙমদ্রবা ঐনা করি পাউনো পীরুদৌরিবা ময়ামদা। অদুবু - ‘মাগী ৱা ঐনা তাবা ঙল্লবদি ঐগী ৱাসু মানা তাবা ঙমগনি’ হায়বসিদি ঐহাক চেৎনা থাজে। অদুগা, ‘ঐগী হৈনবী ৱাহৈ/ৱা হায়, মহাক্না হৈনদে খঙলবদু হোংদোক্লবা’- ’সিমগা।

লৌশিং পুক্কে

# হীদাক কাপ্পগী য়েতুমদা কিবা মীওই কয়ামরুম লৈ, ভেক্সিনেসনগীদমক অকিবা অসি ফহনবা মথৌ তাই-১

মালেম অসিদা হীদাক কাপ্পগী য়েতুমদা অকিবা ফাওবা মীওই মিল্লিয়ন কয়ামরুম লৈ। কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন মপুঙ ফানা কাপ্পবা হোৎনরকপা মতম অসিদা হায়রিবা মীওইশিং অসিদা ফাওরিবা অকিবা অদু মায়োক্লবা ঙমহন্দুনা ফহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি।



য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ফিলাদেলফিয়াদা লৈবা থোমাস জেফর্সন য়ুনিভর্সিটিদা মরীশুবা চহীদা তন্নিবী মেদিকেল মহৈরোয় অমনি অমন্দা ৱোকর। ভেক্সিন্নেসন হায়বসি খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা অমসুং তঙাফদ্রবা অমনি হায়বসি মেদিকেলগী মহৈরোয় অমা ওইনা ৱোকরনা চপ চানা খঙই।

অদুমওইনমক নিদল ফোবিয়া (য়েতুমদা কিবা) লৈবা ৱোকরগী ওইনদি ভেক্সিনেসনগী সোট অমা কাপ্পা হায়বসি য়াম্না হৈনদবা, খাঙবদা ৱাবা ফিভম অমা ওইরি। রুটিন ইঞ্জেক্সনশিং কাপ্পদা মশাদা থেংনবা রিএক্সনশিং অদুগী মতাংদা ৱোকরনা হায়, “অহানবদা ঐ ইংবগা লোয়ননা হকচাং চোৎ চোৎ লাউবা হৌরক্লনি, অদুদগী হুমাং অনপ্পী কাংলক্লনি। মথংদদি ঐ ৱান্থখ্রনি।”

ৱোকর, ইঞ্জেক্সন কাপকনি খনবগী অকিবা অমগা লোয়ননা চহী কয়া হিংলক্লবনি। মহাক্না চহী ১২ নৎত্রগা ১৩ শুরকপা মতমদা দোক্তরগী ওফিসতা ফ্লুগী ভেক্সিন কাপ্পদা ফাওখিবা অকিবা অদু হৌজিকফাওবা কাউবা ঙমদ্রি।

মসি তোয়না থেংনগনবা অকিবা মখল অমনি। কুমজা ২০১৮দা চথুখিবা, জর্নেল ওফ এদভান্স নর্সিংদা পব্লিস তৌখিবা মেটা এনালাইটিক ষ্টদি অমদা থেংনখিবগী মতুংইন্না হীদাক কাপ্পগী য়েতুমদা অকিবা ফাওবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী মনুংদা ৱোকরসু অমনি হায়রি। ফোবিয়া অসিগী রিএক্সনশিংগী মনুংদা মাইল্ড ওইবদগী হৌরগা য়াম্না অকনবা মখলগী এঞ্জাইটি, অমসুং ফুল-ব্লোন ফোবিয়ানচিংবা য়াওই হায়রি।

হৌজিক মালেমগী মফম শিন থুংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিং কনখৎনরক্লি। তাঙ্কক অসিদা অসিগুম্বা মখলগী অকিবা অসিবু নীংথিনা খন্নহৌবা হায়বসি পব্লিক হেল্থকী ওইনা তঙাইফদবা অমা ওইরক্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না, মীপুম খুদিংমকপু লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ভেক্সিন কাপ্পা মী মশীংগী চাং য়াম্না ৱাংহনগদবনি হায়রি। অদুগা মশাদা লৈবা ফোবিয়া অদুনা মরম ওইরগা ভেক্সিনেসন তৌরোই হায়না খনবা মীওইশিংগীদমক্তদি লায়েংনবা হোৎনবা হায়বসি হিংবা অমদি শিবগী লানফমগা চপ মান্নরক্কনি হায়রি।

লাইবক ফবদি, নিদল ফোবিয়া (য়েতুম কিবা) অসি লায়েংলগা ফহনবা ঙম্বগী চাং ৱাংবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি। অদুবু ফিভম অসি লায়েংথোক্তনা থল্লগদি কুইরা কুইরগা অকিবা অদু অসুম অসুম হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

ফোবিয়া হায়বসি করিগুম্বা অকক্লবা পোৎশক অমগী মরমদা লৈবা অকিবা অমসুং এঞ্জাইটি অমনি হায়না ডা. জেফ্রি গেল্লরনা হায়রি। অমেরিকান সাইক্যাট্রিক এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. গেল্লর য়ুনিভর্সিটি ওফ মাসাচুসিট্স মেদিকেল স্কুলগী সাইক্যাট্রিগী প্রোফেসর অমসু ওইরি।

মালেমদা লৈরিবা মীওইবশিংগী চাদা ৩০না মখোয়গী পুন্সিদা এঞ্জাইটি দিসওর্দর অমা মায়োক্লগনি হায়না গেল্লরনা হায়রি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা চাদা ৭দগী ৯ ফাওবদা অকক্লবা ফোবিয়া অমমম লৈ হায়রি।

য়েতুমগী এঞ্জাইটি হায়বসি ফোবিয়া অমা ওইনা খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াবগী ফোর্মেল ওইবা মশক অদুদি ওইদে। অদুবু মপুঙ মরৈ ফারবা মীওই (এদল্ট) শিংগী শরুক মরী থোকপগী অমদি য়েতুমগী অকিবা লৈ, অদুগা এদল্টশিংগী চাদা ৭ রোমদি মখোয়দা ফাওরিবা য়েতুমগী অকিবা অদুনা মরম ওইরগা ইম্ম্যুনাইজেসন তৌদে হায়না য়ু এস সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদফাওবা য়েতুম কিবগী থৌওং অসিগী য়াম্না চাউবা চৈথেং অমা লৈখি। চাং নাইনা ভেক্সিনেসন তৌবনা শিবা, শোয়নাইবা অমসুং লায়না লাইচৎ কয়াগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ৱর্ল্ডৱাইদ ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামশিংদা হায়রি। প্রোগ্রামশিং অসিনা মিজল্স অমসুং দিপথেরিয়া য়াওনা মীশি মীনা য়াওবা অকনবা লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থহনবা ঙমখ্রবনি।

য়াম্না অকনবা, শাথিবা মওংগী ফোবিয়াশিং লৈবা মীওইশিংনা, হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কা হেন্না থেংনরবফাওবদা অনা-লায়েংগী থবক থৌরম খুদিংমক্তগী লাপ্পা লৈনবা হোৎনরকপা য়াই।

## এস পি টেব্লেটকা কোন্ননা অমা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কমান্দোনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪৫ রোম তাবা মতমদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ক্বাক্তা থিংঙেল লৈকায়দা থি-হুম্বা চথুবদা নুপা অমা ময়াই কাবা চীঙ্গাক এস পি কেপসুলগা কোন্ননা ফারে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি প্রিয়াদর্শনি লাইশ্রমগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর কমান্দোনা এস পি কেপসুলগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং এম দি অব্দুল গাবর (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি অব্দুল হক কৌই। মহাক ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ফাইভতা লৈবনি। মঙোন্দগী এস পি কেপসুল ৩৮৫ রোম ফারে।

বিষ্ণুপুর কমান্দোনা পোৎকা কোন্ননা ফারবা নুপা অদু মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা ফাগৎলকপা পোৎলমশিংগা লোয়ননা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎখ্রে। মখা তানা মহাক্কী মথক্তা হৌজিক থিগৎপগী থবক কন্না চথুরি।

## এ আরনা ব্রাওন সুগর গ্রাম ৩৩০ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): ঙরাং অসাম রাইফলসকী ট্রুপ অমনা সিংহাৎতা লৈবা মখোয়গী চেক পোষ্টতা মনা মশিং (ভেজিটেবল) পুদুনা লাকপা অমা চেক তৌবদা ব্রাওন সুগর গ্রাম ৩৩০ রোম য়াওরম্বদগী ফারে।

অসাম রাইফলসনা ফারবা ব্রাওন সুগর অদু তোঙান তোঙানবা সাপোন হাপ্পা কেপ ২২রোমদা হাপ্লগা পুরকপনি। মখোয়দগী ফারবা ব্রাওন সুগর অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাক্ষ ৬৬ রোম ওইগনি হায়রি। এ আরনা পোৎকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু সিংহাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নবগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে হায়রি।

## অশিবা হকচাং লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): হৌখিবা থা অসিগী ১০গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ময়ায় লম্বীগী পৌবিতেক মপাদা গাড়ী মচাদা তোংদুনা লাকপা নুপা অমা লম্বী শেম্বগী থেৎপা দ্রাইভ স্লো সাইনবোর্দতা য়ৈশিল্লবা মতুংদা দীপরদা অমুক য়ৈশিন্দুনা শোকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবা হকচাং অদু রিমস মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুং পুলিসনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা ফন্দোম ইনাওবা (৫১) কৌই, মহাক ইরোইশেম্বা ময়ায় লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা পিএচ তোম্বগী মচানুপানি।

HL-P/8547/13 to 28

## রাজা দুম্ব্রা হায় স্কুল মনাক্তা অমোৎ অকায় হুন্দোকফম ওইরে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): মতম অমদা মমিং লৈরবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা রাজা দুম্ব্রা হায় স্কুল মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদবদগী হৌজিক স্কুল অসিগী মনিং থংবা ফেন্সিং কিন্থবগা লোয়ননা মফম অদুদা অমোৎ-অকায় ময়াম হুঞ্জিনবদগী মোৎপনা খম থেংলে।

স্কুল অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা মমিং য়াম্না চৎলম্বা অমদি মহৈরোয় য়াম্না তম্লম্বা স্কুলনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদবদগী স্কুল অসি নোংমা নোংমগী শীথরকপগা লোয়ননা হৌজিক্তি মহৈরোয়শিং লৈশিল্লক্ত্রে। স্কুল অসিগী বিল্ডিংগী ফিভম শোকচিল্লক্লে, নিংখায়গদবগী ৱাল ক্রেক চৎপসু য়াওরে। মরু ওইনা স্কুল অসিগী অকোয়বদা খারিবা ফেন্সিং অসি কিন্থরক্তুনা অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম ওইরে।

কোনুং মমাঙদগীনা মিনুথোং তাখিবা লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা স্কুলগী মনিং থংবা ৱাল অসিগী মফম ২/৩ দা কিন্থখিবগা লোয়ননা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা য়ূমগী ফত্ত-হৌদি, প্লাষ্টিক, অমোৎ-অকায় ময়াম হুঞ্জিনবদগী হৌজিক মহৈকোল অসি লায়না কয়া পোল্লকপা য়াবগী মফম অমা ওইরে।

লম্বী চৎপা অহল খরনা ফোঙদোরকপদা, স্কুল অসি য়াম্না মমিং লৈরবা নুংশিবা স্কুলনি। মসিদা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লৈঙাক্কী থৌগাই পুবা মশক নাইবা মীওই কয়া য়াওখ্রবনি। অদুবু স্কুল অসি মতম চানা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেমজিনবীহৌদবনা ঙসিদি মহৈরোয়শিংসু লৈশিল্লক্ত্রে। স্কুলগী বিল্ডিং ফত্তবনা মহৈরোয়শিংগী মপা-মমানসু মচাশিং লাইরিক তম্বা থাবীরক্তবদগী নোংমা নোংমগী মহৈরোয়শিংগী মমিং হন্থরকপনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক অমদি স্কুল অসিগী গভর্ণিং বোদিনা স্কুল অসি অমুক হিঙৎনবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

লোয়ননা স্কুলগী কেম্পস নিংখায়বা অসিসু শেমজিল্লগা অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম ওইরিবা অসিসু থিংহৌদ্রবদি মফম অসি লায়না কয়া পোল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। লোয়ননা মফম অসিদা থাদোরকপা শা-ষণশিং চঙশিল্লক্তুনা মথী-ময়ুং ফাইজিনবা, অমোৎ-অকায়শিং পৈশিল্লম্বা অদু খোত্তুনা চাবদগী চাইখায়রক্তুনা য়েংবদা ফিভম শোক্লে। লোয়ননা নোংমা নোংমগী অমোৎ-অকায় হুঞ্জিল্লক্লিবা অসি থিংদুনা মফম অসি তরূ-তনান্না থম্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীৎয়েং চিঙশিল্লক্লি।






## য়ূম অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেংলেপ সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা লাইজাং খুলদা য়ূম অমা খঙহৌদনা মৈনা তুম্না চাকপদগী লুপা লাক্ষ ৪রোমগী পোৎ-চৈ মাঙ-তাকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৪ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। খুদোংথিবা নংলিবা য়ূম্বু অদুগী মমিং সৈখোহাও হাওকিপ কৌই। খঙহৌদনা য়ূম মৈ চাক্লকপা অদুদা খুল অদুদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মৈ কন্নবা হোৎনবদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লখি। লাইজাং হায়রিবা খুল অসি চুড়াচান্দপুর হেদক্বার্টরদগী খরা লাপ্পা অমদি লম্বী-থোংগী ফিভম ফত্তবনা ফায়র সর্ভিস চৎপদসু অথু-অকায় নংদে হায়রি। য়ূম অদুদা লৈবা ফিরোল, চান থক্লবা পোৎলমশিং লকজরি আইটেমশিং য়াওনা মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

মৈ অদু ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্ক্যুইটতগী হৌরকপ্রা নৎত্রগা চাকশঙদগী হান্না মৈ তিকপদগী লেমহৌবা মৈখাক্লা হৌরকপ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদি অশোক অপন য়াওহৌদ্রে হায়রি। অৱাবা তারবা ইমুং অদুদা লৈকায়গী মীওইশিংনা অঙম্বা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

### হোম আইসোলেসন অমদি কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা থবক পায়খৎহন্নিংই



য়ূম অমগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদা মীওই অদুবুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈহনখ্রগনি। অদুগা য়ূম অদুগী ইমুং-মনুংশিংনা কন্টেনমেন্ট জোনদা থমজিনবিদুনা মপান-থোকপা য়াহন্দনা লৈরি। থৌওং অসি লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অতোপ্পা মীওইশিংদা অমুক শন্দোরক্তনবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা অফবা থৌরাং-থৌশিলনি। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি পোজিটিভ ওইবা মীওই অদুবুদি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা লৈখ্রগনি। কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈহৌরিবা য়ূমগী মীওইশিংদি কনানা য়েংশিনবিগদৌরি হায়বসি অচৌবা ৱাহংনি। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুং খরদদি লৈঙাক্লা অমদি লৈকায়না মতেং পাংবিদবনা ৱানা লৈনরি। অৱাবা অসি শা-ষণ লোইবা ইমুংশিংদনা অমুক্কা হেন্না অচৌবা চৈথেং ফংবা হায়বদু ওই। অমরোমদা হোম আইসোলেসনদা লৈজরিবা মীওইশিংসু অচৌবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লরি। মরমদি অনাবা-খুদোংচাদবা অমা হেক য়াওরকপদা অথুবা মতমদা অনা-লায়েংবগী থবক পাঙথোকপা ঙমদবনা ৱানা খাঙবা য়াওনরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

❑ অয়েকপম অশাবলা, কোংবা

### দিসএবলশিংগী থবক লৌবদা কা হেন্না লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংগী নহাশিংদসু মীৎয়েং চঙবিয়ু



ইমুং অমদা দিসএবল ওইবা মীওই অমা য়াওরকপা মতমদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা খক নত্তনা মীওই অদুনা পামজবা থবক কয়া অমসু তৌবা ঙমদে। লোয়ননা খুন্নাইনসু তোঙানবা মীৎয়েং অমরোমদা য়েংবিবা মরম্না দিসএবল পর্সনশিংনা ফিজিকেলি অমদি মেন্টেলি ওইনা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লে। খুদোংচাদবশিং অসি লৈঙাক্লা খঙবিরদুনা মখোয়বু ম্যেন ষ্ট্রিমদা পুখৎলক্লবা পায়খৎলিবা থৌরাং-থৌশিলশিং অমদি থবক লৌবদা মখোয়গী পর্সন্টেজ খরা খাকপিরিবা অসি তশেংনা অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু লৈঙাক্কী থবক লৌবদা লমদম অসিগী মহৈ হৈরবা দিসএবল পর্সন কয়া ঙসিসু থবক ফংদনা লৈরি। দিসএবল পর্সনশিং অসিগী মরক্তা অয়াম্বনা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা অয়াম্বনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু দিসএবল পর্সনশিংদা শেলগী ওইবা খুদোংচাবা খরা য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু থাগী খরদি পীবিরি। লৈঙাক্কী থবক লৌবদা শোৎথরবা কা হেন্না ৱারবা দিসএবল পর্সনশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীহন্নিংই। লোয়ননা স্কিল প্রোগ্রামশিংদা মখোয়বু হেন্না শরুক য়াহন্নবা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিলসু পায়খৎহন্নিংই।

❑ এম অমরজিৎ, থৌবাল খুনৌ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০১।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা; অয়ুক পুং ১০.৩০ ফাওবা পোইনুগী থাশুনি, ৱাকচিংগী নোংমা পাল্লনি।

মেষ: অয়ুক্তা শকচু থোকপা খরা ৱাৎলসু লন চাওখৎপা, মীয়ামনা পাম্নবা অমদি থেংলপ্পা মরুপ মপাংগী মতেং ফংজবা ওইগনি। মীপাইরম্বসু কোক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : পূক্লিং ফাথনা পাংলদি মাঙবা য়াবা লৈরসু লায়না কনবা ঙমগদবা নুমিৎনি। নচাক নরল চেকশিল্লু অমদি অশাওবনা মাঙওইনগনু-তঞ্জা লাক্কনি ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি মরুপ মপাং লোয়নবগী নুংঙাইবা অমদি কান্নবা ফংজগনি। য়েৎনবতদি য়াওরুরনু।
লৈশা পাখংশিংগী -নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : লাইবক ফগনি, মীচং খোম্বা য়াগনি অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা মায় পাক্কনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা অমদি খল্লুদবা ওইজবা ফংবৈ নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী -নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : থেংলপ্পা লাইবক ফবা অমদি মরুপ মপাং অফবা ফংজবা নুমিৎনি। অকিবা লৈতনা থৌনা মাঙলোমদা চংশিল্লো-থোইনা কান্নরগনি। লাইবক ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনম তান্নগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : য়েৎনবা, লাংতক্লবা অমদি চিন কনবা তৌদ্রবদি পামদবা থৌদোক থোকনিংঙাই লৈতে। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি-থৌয়াম পুগনু, হোজয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা য়াম্না ঙাঙদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

তুলা : নুমিৎ য়ুংবা মতুং ফাওবা নীংবা থুংবা অমদি লাইবক ফগদবা অফবা খোঙশাল লৈ। মীয়াম লোয়নবনা মায় পাকপা অমদি হকচাংসু নুংঙাইগদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মীচং লৈবা অমদি মখোয়না তেংবাঙবীবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎত্রদি নচাক-নরল মাঙগনি অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা থেংলপ্পা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু : অনৌ-অনৌবা থৌরম পাংবা হৌহৌবা অমদি ললোন-ইতিক্তা চাওনা কান্নগদবা অয়ুক্তা লৈগনি। ফিংলদি নচা ননাই ময়েং তাগনি অমদি চিন য়াংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর : থেংলপ্পা লাইবক ফবা অমদি ওইজ-ওইথক তানবদা চাওনা শেন্দোং ফংগদবা নুমিৎনি। পূক্লিং পেন্না হরাওজগনি। ৱাফংনবদি চোপকনি-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্বা : নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লাইবক ফবনা অনীংবা থৌরম পাংবা অমদি মীচং খোম্বা য়ারগনি। লাই গুরুনা চানবীগনি, মীয়াম্না য়াবা থৌ পাংবসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : পূক্লিংদা নুংঙাইবা অমদি মীচং ফংবা লৈগনি। হনবা লৈতনা হোৎনবনা শেল থুগী লম্‌দা থেংলপ্পা মায় পাক্কনি -নিংহন্নগনু। মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।